## হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা নুমীৎ থোক্লে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) : ইবুধৌগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী নুমীৎ থা অসিগী ২৫দা থোক্লে হায়না ইবুধৌ পাখংবা থৌগল লূপ, লংথবাল কুঞ্জ অৰাং লৈকায়গী প্রসিদেন্ট ইবোচৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লংথবাল কুঞ্জ অৰাং লৈকায়গী মীয়ামদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী নুমীৎ অসিগী মতাংদা খঙহল্লি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবনা ইবুধৌগী থৌরম অসি লাইগী থৌরম খক্তমক পাঙথোক্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কোরোনাভাইরসকী কেস মঙা নৌনা...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই ১২৩ বস তরুক্তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ৪৯ বস অনীদা অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ১০৪ বস মরিদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ৯৩ বস মরিদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ১০৭ বস মঙাদা তোংলগা মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টতা হন্নখ্রে।

নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদগী অমুক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ১৪৭ বস তরেৎতা, কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ১৯ বস অমদা অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ২০ বস অমদা তোংলগা জিরিবামদগী মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টতা চৎনখি হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.102490 |
| US Dollar | 75.871847 |
| British Pound | 91.830914 |
| Australian Dollar | 48.652210 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.683582 |
| Japanese Yen | 0.708580 |
| Malaysian Ringgit | 17.435492 |
| Singapore Dollar | 53.107555 |
| South Korean Won | 0.061533 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.232493 |
| Thai Baht | 2.364044 |
| Myanmar Kyat | 0.05417 |
| Bangladesh Taka | 0.89339 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46998.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47057.00 |
| Delhi | – | Rs | 47055.00 |
| Kolkata | – | Rs | 46910.00 |

## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Sl. No.– 18108**
Booking Upto: 20/03/2020
Valid From: 17/02/2020
5 & 19 Kg Available
Timing: 08.00 onward
Home delivery Only
**Contact:** 6009392991, 8131853129
Deliever on payment at godown

**K & K INDANE SERVICE**
Booking Upto: 10/04/2020
Valid From: 20/03/2020
Timing: 07.30 am-11.00 am
Gas Booking Counter Open at Tera Bazar Office
Timing: 08.00 am-12.00 noon

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Sl. No. Upto – 70863**
Booking Upto: 11/02/2020
Valid From: 07/02/2020
Home Delivery Only
**Contact Nos:** 9366471778, 8837349474

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking Upto - 09/02/2020
Valid From - 28/01/2020
***Stk : 612***
Home Delivery
**Pliz Contact:** 9862836403/ 8415050488 and 9366075820
Timing: 07.00 am - 10.00 am

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto : 21/02/2020
Valid From :17/02/2020
Home Delivery Only
Timing : 8:00 Am To 12:00noon
**For Thangmeiband Area** Please Contact/Sms/Whatsapp To 8131852580 /8257056190.
**For Uripok Area** Please Contact/Sms/Whatsapp To 6009885600/9366320643
**For Others Area** Please Contact/ Sms/Whatsapp To 9612009063 /9862792731

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking Upto: 09/03/2020
Valid From: 02/03/2020
***Stk: 306***
Home Delivery Service
**Contact Nos.** 1.Dilip-9612883295 (Moirang A/C).
2.Ajay--7005667570 (Thanga A/C),
3.Rojen--8787381746 (Kumbi A/C).
**Booking Contact No.** 7085972248.
Timing: 8.00am-12.00 noon

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Date: 18/02/2020
For Telephonic Booking and Delivery at godown
**Contact Nos.**
81310 89612 / 9863711166
Timing : 11.00 am - 2.00 pm

**RBD INDANE SERVICE**
Booking Upto: 03/03/2020
Valid From: 20/02/2020
***Stk: 332***
All Customers Are Home Delivery
Working Hours 7:30 Am-12.00 Noon
**Contact No.** 7629947172 For Refill Order And Enquiry Only
**Contact No.** 7629947182 For Booking Only

**TDK SEKMAI**
Booking Upto: 28/02/2020
Valid From: 23/02/2020
Home Delivery Only
**Contact No.:**
8837269355/6909614353

**HEIROK INDANE**
Booking Upto: 29/02/2020
Valid From: 10/02/2020
***Stk: 288***
Home Delivery Only
**Booking Contact No.** 7627935705
**Delivery Contact No.** 9436274203
Contact Timing: 9am-1pm

# সী এস ও, এন জি ওশিংনা কোভিদ-১৯ লান্থেংননবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিং লৈঙাক্লা উশিন্নদবা লানগনি : মিকন

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) : সী এস ও, এন জি ওশিংনা কোভিদ-১৯ লান্থেংননবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং লৈঙাক্লা উশিন্নদবা লানগনি হায়না মীতৈ ইন্টরনেসনল সিভিক এক্সন নেটৱার্ক (মিকন)গী চীফ কোওর্দিনেটর অথৌবা মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা অৱাবা অমদি মী পুনবা য়াদবগী চৈথেং কয়া ফংলে। মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরিবা সী এস অমা ফংলে খনবদা নুংঙাইবা পোকই। লৈঙাক্লা লৌরকপা ৱারেপ কয়া শৌগৎতুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ও, এন জি ও, ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াসু অৱা-অনা কাউথোক্তুনা মতিং থোক্লা থবক তৌনরি। মতম কয়াগী মতুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মতম অসিদা চীংমী-তম্মী কাঙলুপ কয়ানা ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা সী এস ও কয়াগী খুত্থাংদা অমদি খুৎশম্ন দুনা অরৈ-অরৈবা মতেং পাংনদুনা লাকপা উবা ফংলে। মসিমক লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ও, এন জি ও অমদি সী এমগী হোৎনজমলগী মহৈনি হায়বা য়াই।

মসিনা তাকপদি লৈবাক অসিগী পান্দম অমা ফংগে হায়রবদি লৈঙাক অমদি সী এস ও, এন জি ও, ক্লবশিং অমসুং মীয়াম পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা পীবা মতম-মতমগী গাইদলাইনশিং মীয়াম্বু ঙাক্লা চৎহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিংনা তৌবা কয়া সী এস ও অমদি এন জি ওশিংনসু শিবা কিদনা, অৱা-অনা থিদনা পাঙথোক্লি হায়বসি লৈঙাক্লা কাউফম থোক্তে। প্রাইম মিনিষ্টরনসু কোভিদ-১৯ মপুং ফানা থেংনগে হায়রবদি লৈঙাক্লা সী এস ও, এন জি ওশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়বসি কয়ারক ফোঙদোকখ্রবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঙরাং ষ্টেট লৈঙাক্লা থোরকপা গাইদলাইনদা মতম শুকপী পীদনা হান্নগী কর্ফিয়ু পাস কেন্সেল তৌরে, সী এস ও, এন জি ওশিংনা পল্লিক্তা পোৎচৈ য়েন্থোক্লিংলবদি দি সীদা লৈবা ফুদ বেঙ্কদা পীশিনগদবনি হায়বসিমদি ঙক্তবা ঙমদে।

ফুদ বেঙ্ককী ষ্টাফশিংনা মীয়ামগা হকথেংননা অৱাৎ-অপা হংনদুনা চঙশিল্লিবা সী এস ও অমদি এন জি ওশিংনা তৌবগুম মথৌ তাবা পোৎলমশিং টার্গেট গ্রুপশিংদা য়ৌহনবা ঙমগদৌরিব্রা। গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎলিবা সী এস ও, এন জি ওশিংনা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ শন্দোক্কনি হায়রিব্রা নৎত্রগা লৈঙাক্লা সী এস ও, এন জি ওশিংদা টার্গেট তৌরক্লিবা অসি করিগীনো। কর্ফিয়ু পাসতি লৈঙাক্কী আইদি কার্দ পায়বা মীওইশিংদা পীগদবা নত্তে। অৱা-অনা থিদনা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা লান্থেংনরিবা সী এস ও অমদি এন জি ওশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অপনবা লৈতনবা পীফম থোকপনি। মপান্দগী হল্লকপা ইরৈচাশিংনা পোজিটিভ কেস মশিং হেনগৎলক্লগা শিবা কিদনা চেনচোংনা হোৎনরিবা সী এস ও, এন জি ওশিংদা টার্গেট তৌবগী মহুৎতা পুন্না তান্নমিন্নদুনা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা লান্থেংননবা হোৎনমিন্নবা চুমগনি। নোংমগী মপান থোকপা, কোয়চৎ চৎপা হন্থহনগে হায়রবদি হোম দেলিভরি সিষ্টম মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই। মীয়ামগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং য়ুম-য়ুমদা থিন্দুনা ফংহল্লবদি মীয়াম্না মপান থোকপগী চাং হন্থরক্কনি। রেদ জোনশিংদসু লৈঙাক্লা ঈ-কম্মর্সকী খুত্থাংদা ইসেন্সিএল আইটেম দেলিভরি তৌবা য়াহল্লি। ফুদ দেলিভরি সিষ্টম পূক্লিং থৌগৎলি। মথৌ তাবা মীওইশিংগী কর্ফিয়ু পাস কেন্সেল তৌরবসু সী এস ও, এন জি ও অমদি হোম দেলিভরি সর্ভিসকী ওইনদি অরাইবা মওংদা দি সীশিংগী খুত্থাংদা কর্ফিয়ু পাস ফংহনবনা হেন্না ফগনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা মতম-মতমগী পীরকপা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা থেংনরিবা লানফম অসি মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ‘লৌমীশিংদা য়োৎপাক, থাঙ্গোল য়েন্থোক্লগনি’

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) : লৌমীশিংদা কোভিদ-১৯ থেংননবা য়োৎপাক, থাঙ্গোল য়েন্থোক্লগনি হায়না ৱাংজিং-তেন্থা ফার্মর দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী চীফ ফঙ্কসনরি ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

এসোসিএসন অসিনা ৱার্ক এন্দ ফাইট কোভিদ হায়না মিংথোনবা কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মরিনি শুবা নুমীৎতা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং, থৌবাল থোং, মেলাগ্রাউন্দ, উশোইপোকপী তাংজেং, ৱাংজিং, খোংজোম, সোরা, ককচিং, তেন্থা অমদি ককচিং কৈথেল লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংদা মথৌ তৌরিবা সিক্যুরিটিশিং অমসুং ইকোপ পাৎকী লৌমীশিংদা চাকয়োম য়েন্থোকখি। কেম্প্যেন অসিদা থা অসিগী ১৪দগী খোংজোমদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতগী হৌদোক্তুনা কোভিদ-১৯গী অকিবা য়াওদনা থবক শুরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চাকয়োমশিং য়েন্থোকপগী থবক চত্থদুনা লাকখি। কেম্প্যেন অসিগী শরুক অমা ওইনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা নুংশা মরক্তা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা মতেং পাংবনি হায়নসু এক্স-মিনিষ্টর হেমন্তনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা হকচাং ফনা থম্বা মথৌ তাই। শু-নোমদুনা ইম্যুন সিষ্টম কলহনবা চঙই। শুরি-নোন্নিবশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা কোভিদ-১৯ থেংননবা লৌমীশিংদা য়োৎপাক অমদি থাঙ্গোল য়েন্থোক্কনি। লৌরাং শুবা নংনবা লৌবুক্তা চৎতুনা য়েন্থোকপনি। থাঙ্গোলশিং অদু শজিক ফানবা অমদি লৌ খাওবা নংনবা য়েন্থোক্কনি। মতম চানা ঈশিং মরাং কায়না ফংদবনা মরম ওইরগা লৌরোক অনীরক লোকপা য়াবগী ফীভম অদু নংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া লৌমীশিংনা মায়োক্লরি। লৈঙাক্লা নোং চুদে, ঈশিং লৈতে হায়না লৈথোকপা চুমদে। নোংগী ঈশিং ঙাইবগী মহুৎতা লৈনুংগী ঈশিং চিংখৎতুনা মতম চুপ্পদা লৌমীশিংগী ঈশিং ৱাৎতনবা শীনগদবনি। লৌফম কয়া লৌ পানবা ঙম্নবা হোৎনসি। লৌফম কনগদবনি হায়না লাউরগা খুদোংচাবা কয়া পীদ্রবদি লৌবুক্কী কান্নবা ফংদবনা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা শীজিন্নবা তাবনি। লৌবুক মায়কৈ পাংবা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ থেংননবা চত্থরিবা লোকদাউন অসিনা মীয়াম ৱানরবা মতম অসিদা ককচিং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পল্লেলগী শোথরবা ইমুংশিংদা ভুবোন টেক্লিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টকী চ্যেরমেন নাওরেম নবচন্দ্র, দিরেক্টর নাওরেম ওংবী বিনারানি অমদি ভুবোন ব্রিক ফিল্ডগী মপু নাওরেম নোপুরনা চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংখ্রে। য়ুথ ভলন্টিয়র এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা তেংবাং য়েন্থোকপা থৌরম অদুদা পল্লেল জি পিগী উপ-প্রধান এস জয়কুমার, ৱাই ভি এগী প্রসিদেন্ট রোমেন খুমননচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। ঙসিগী তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা ভুবোন টেক্লিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন নাওরেম নবচন্দ্রনা, মীয়ামগী অৱাবদা মতেং ওইনবা পীবনি হায়খি।

## তেকচমগী লম্বী সর্ভে তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) : তেকচমগী লম্বী ঙসি তেকচম য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (তুকো)না সর্ভে তৌখ্রে হায়না তুকোগী সেক্রেটরি এল প্রিয়োবর্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এন ঐচ-৩৯দগী তেকচম তাবা লম্বী অসিগী থংনবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লো কায়না তকশিল্লকপদগী লম্বী অসি নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা তুকোগী মেম্বরশিংনা সর্ভে তৌখ্রে। সর্ভে অসিদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লো কায়না তকশিল্লক্লিবশিং অসি হন্দোক্লবা খঙহনখি। লম্বী অসিগী মতাংদা তুকোনা দিমার্কেসন তৌবীনবা মমাঙ থাগী দিসেম্বরদা থৌবাল দি সীদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রবনি। হৌজিক ফাওবা দি সীগী মায়কৈদগী থবক অমত্তা লৌখৎলকপা লৈত্রি। থা অসিগী ১৭তা লম্বী অসি সোসল সর্ভিস তৌগনি। এন ঐচ-৩৯দগী তেকচম তাবা লম্বী অসি লো কায়বা মওংদা তকশিল্লকপনা মরম ওইরগা লম্বী অসিগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকপগী মওং লাক্লি। তুকোগী মেম্বরশিংনা থা অসিগী ১৪গী অয়ুক্তা সর্ভে অমসু তৌখি। লো কায়না লম্বী খোপচিল্লক্লিবশিং অসি তৌবীদনবা হান্ননা খঙহনবসু লৈখ্রে। দি সীদসু লম্বী অসি নীংথিনা সর্ভে তৌবীনবা হায়খিবা লৈরবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা সর্ভে তৌবীদনা লৈরি। তুকোগী মায়কৈদগী লম্বী অসি য়েংশিনগনি। সোসল সর্ভিসসু তৌদুনা লম্বী অসি লূ-নান্না থম্নবা হোৎনগনি। লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙদুনা লম্বী অসি নীংথিনা থম্বীয়ু হায়নসু মখা তারি।

## শ্যামকুমারগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবা য়ারোই হায়না অন্দ্রো এ সীগী মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) : এক্স-মিনিষ্টর শ্যামকুমারবু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবা য়ারোই হায়না ঙসি অন্দ্রো এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম ফমখিবা মফমশিং অদুদি, তুমুখোং, মোইরাংপুরেল, ইথম, কৈথেলমানবী, লাইখোং, নোংব্রং, চঙমদাবী, নুঙ্গাইপোকপী, য়াম্বেম, নিংথৌনাই, তোপচিংথা, লাই মনাই, তুলিহল, পোইরৈ খোংজিল, অংথা, ঙারিয়ান, হুইকপ অমদি উচোলনচিংবনি।

ৱাকৎ মীফম ফমখিবা মফম কয়াদা এক্স-মিনিষ্টর শ্যামকুমার অন্দ্রো এ সীগীদমক কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা মীশকনি। মহাকপু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। মফম কয়াদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা শ্যামকুমারবু শৌগৎলি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি। অন্দ্রো এ সীদা গুন্দাগী পোলিটিক্স তৌবা লেপ্পু, অৱাই-অখুম তৌনরোইসি, ঈং-তপ্পা লৈবা পাম্মী হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়াসু পায়খি।

ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা হুইকপতগী প্রেমিলানা ফোঙদোকখিবদা, এক্স-মিনিষ্টর শ্যামকুমার দিসক্বালিফাইদ তৌখিবদগী সিট হাংদুনা লৈরি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা করম্বা মতমদা বাই-ইলেক্সন তৌগদগে হায়বা খঙদ্রি। অদুবু অন্দ্রো এ সীদা ঙাইহাক লৈতনা ক্রাইম থোকহল্লগা এক্স-মিনিষ্টর শ্যামকুমরগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরিবা খুৎপুশিংদগী চেকশিনবীয়ু। অন্দ্রো এ সীবু ঈরাং থোক্কনবা মফম ওইনা উহন্নবা হোৎনবা লাইবক থীবনি। মীখলদা মীরেপ ওইগে হায়রবসু য়াম্না লেম্না দেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা ভোট খোম্বীয়ু। ঈরাং থোকহন্নবা হোৎনরিবা মীওই অদু অন্দ্রো এ সীদা ভোট লেপ্পা থিংবসু লৈতে। মীয়াম্বু নুংশিনা লোয়ননবা হোৎনবীয়ু। ঈরাং শাগৎতুনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরিবশিংগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা থৌওং চত্থরকপা লাইবক থীবনি। মীখলদা মীরেপ ওইনিংবশিংনা মীরেপ ওইবদা এ সী অসিগী মীয়াম্না অপাম্বা মীদা অদুম্মক ভোট থাদজগনি। মশানা পাম্বা মীদা ভোট পীদুনা ঈংনা তপ্পা লৈবা মফম অমা ওইহনসি। ঈরাং থোকপা পামদে। ঈংনা তপ্পা লৈবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ফর্টিলাইজর রিটেলরশিংগী মীফম ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) : লৌমীশিংনা চাথোক মরাং কায়না পুথোকহনসি হায়রবদি ফর্টিলাইজর রিটেলরশিংদা মতম চানা ফর্টিলাইজর মরাং কায়না ফংহনবীয়ু, রিটেলরশিংবু দিলরগুম্না উবীয়ু হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ফর্টিলাইজর রিটেলর এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অঙোম বিরজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মোইরাং কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর ইনাওচাগী য়ুমদা এসোসিএসন অসিগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা, লৌমীশিংগীদমক লৈঙাক্লা মথৌ তাবা খূদিংমক ফংহনগদবনি। হারদগী হৌরগা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম খূদিংমক ফংহন্নবা হায়রবসু মথৌ তারিবা ফর্টিলাইজরশিং মতম চানা লৌমীশিংগা নক্লা চৎমিন্নরিবা ফর্টিলাইজর রিটেলরশিংদা ফংহনদবা অমদি ফর্টিলাইজরগী চপ চাবা রেট অমা লৈতবনা রিটেলরশিংদা অৱাবা মায়োক্লরি। দিলরশিংদগী রিটেলরশিংনা হেন্না লৌমীশিংগা চৎমিন্নরি হায়বসিসু মরী লৈনবশিংনা খন্থবা চুমগনি। অথুবদা লৌমীশিংগীদমক মথৌ তাবশিং মতম-মতমগী মতুংইন্না ফংহনফম থোকপশিং ফংহল্লু হায়নসু লেপ্পখি। রিটেলরশিংগী খুত্থাংদা হার ফংহনবীনবা আপিল তৌখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ফর্টিলাইজর এসোসিএসনগী মীফম অদুনা লৌমীশিংগী ওইবা হীরম কয়াদা খন্নখি। মতম চানা লৌমীশিংদা হার ফংহনবা তঙাইফদবনা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

## সেনাপতি দি সীগী মথক্তা এক্সন...

*লামায় ১গী মখা...* মীওইশিং অদুগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ২ য়াওরে হায়বা খঙহল্লকপা মরম্না মীয়ামদা চাউনা নুংনাংবা পোকহল্লে।

লৈঙাক্লা পীখিবা কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক তৌখিবগীদমক দেপ্যুটি কম্মিস্নার সোমোরজিৎ সলামবু খুদক্তা সস্পেন্দ তৌগদবনি। করিগুম্বা ঙসি নুমীদাং পুং ৬তগী পারগা পুং ৪৮ গী মনুংদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরদা মৈতৈ চেঙনা শাবা পাফোর...

*লামায় ১গী মখা...* অসি মতম খরা লেপ্পুরবা মতুংদা কুমজা ২০১২দগী অনীশুবা ওইনা মেছিননা পাফোর অমুক শাখি।

পোথোক পুথোক্লিবা ৱর্কশেদ অসি খরা চাউবা মফম অমা মথৌ তাবনা মণিপুর লৈঙাক্লা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তেরা উরক্তা ইন্দষ্ট্রিয়ল ইষ্টেট কমপ্লেক্স অমা কুমজা ২০১৭ তা শারগা কুমজা ২০১৯দা শাবা লোইখিবা মফম অসিদা অমুক হোংনবা থৌরাং তৌখি। মমাং চহীগী ওক্টোবর থাদা মফম অসিদা মেছিন ইন্সটোল তৌবা হৌখি। মদুগী মতুংদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী মৈতৈ চেঙনা শাবা পাফোর মচা মখল অনী পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনবা হৌখি। পাফোর মচা অনী অসিগী মনুংদা অমনা খরা ঙৌতক তাই। ও কে এস (প্লেন রাইস পাপদ) হায়না মমিং থোল্লি। অদুগা অমনা খরা ঙাংতক তৌই। পেকেট অমদা লুপা ২০দা য়োল্লি হায়রি। পাফোর মচাদা গ্রীন চিলি, গার্লিকনচিংবা অতৈ মচলনচিংবা মহাও লৈনবা হাপ্তুনা শেম শারি।

খরা চাউবা পাফোর অদুনা মুঙ দাল, শাগোল হৱাই মকু খোকপা অমদি মরূ-মরাং মচলনচিংবা নীংথিনা হাপ্লবা মতুংদা শেম শাবনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেরা উরক্তা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিজ অসিদা বেটচ অনী খায়দোল্লগা হৌজিক মীওই ৩৪ রোম্না থবক শুরি। ফার্ম অসিদা থবক শুরিবসি অয়াম্বনা নুপীশিংনি। পাফোর শারগা মেছিনদগী কংহল্লগা থাদোরকপা পূম্নমক নুপী শিন্মীশিংনা খরাই অচৌবা অমদা হাপ্তুনা নীংথিনা মশা কংহল্লবা মতুংদা প্লাষ্টিকতা অমুক হাপ্লগা পেকিং তৌরগা কৈথেলদা থাদোক্লবা হোৎনবনি। মণিপুরদা পুশিল্লক্লিবা বিহারগী পাফোর মমিং চৎখিবা অসি কশারিনা শাবনি। অদুবু কশারি হায়রিবা হৱাই মখল অসিদি লৈঙাক্লা হকচাং শোকই হায়দুনা বেন তৌখ্রবনি হায়রি।

## স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা পিটিস্নর অমসুং...

*লামায় ১গী মখা...* রেস্পোন্দেন্ট এম এল এশিংগী মতাংদা পীখিবা ওর্দর তরেৎতা হিয়রিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌবগা লোয়ননা হিয়রিং অসিগা মরী লৈনবা রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং ঙরাং মে ১৬ ফাওবগী মনুংদা নাকল অনীমক্কী পার্টিশিংনা পীশিল্লক্লবগী অয়াবা পীখিবনি।

ওর্দর অসিগী মতুং-ইন্না ঙরাং স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা পীখিবা অরোইবা নুমীৎতা পিটিস্নর অমসুং রেস্পোন্দেন্ট অনীমক্কী মায়কৈদগী কম্মন রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং পীশিন্নখ্রে।

রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং অসি রেস্পোন্দেন্ট এম এল এ তরেৎকী মায়কৈদগী পূন্না কম্মন ওইনা সবমিট তৌখিবনি। কম্মন রিটন আর্গ্যুমেন্ট অসি চাওরাক্লা লামায় ২০ লোমগী মনুংদনি। অদুগা অপূনবা কেস ১৫গী পিটিস্নরশিংগী মনুংদা য়াওরিবা পিটিস্নর কোংগ্রেস এম এল এ তরেৎকী মায়কৈদগীসু পূনশিল্লগা পূন্না লামায় মরি পানবা কম্মন রিটন আর্গ্যুমেন্ট অমা সবমিট তৌখি। মসিবু ঙরাং সবমিট তৌরকখিবশিংনা এম এল এ কাংঙুজম রঞ্জিৎ, ওক্রম হেনরি, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, খুমুকচম জয়কিষন, কৈশাম মেঘচন্দ্র, সুর্জকুমার ওক্রম অমসুং দি দি থাইসিনি। অদুম্মকপু পার্টি অনীমক্কী কম্মন রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং অসি মখোয়গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা ফাইল তৌখিবনি। অদুনা হৌজিক দিসক্বালিফকেসন কেস ১৫ অসিগী মেন্টেনেবিলিটিগী ৱাহংশিংগী পাউখুমশিং রিজর্ভ তৌদুনা থম্লক্লিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি লাউথোকপনা লেপকদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা পন্দুনা লৈরক্লিবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসি অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌনবা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়দুনা কেসশিং অসিগী পিটিস্নর কোংগ্রেস এম এল এ তরেৎনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) তরেৎ ফাইল তৌরকখ্রবনি। কোর্টনসু পিটিসনশিং অসি লৌখৎলগা মসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর, সেক্রেটরি অমসুং দিফেক্টরশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা এম এল এ তরেৎতা চয়োল অনীগী মতম পীরদুনা পাউখুম পীরক্লবা নোটিসশিং থা অসিগী ১৪দা ইস্যু তৌখ্রবনি।

## জেনিমসকী নর্স...

*লামায় ১গী মখা...* এদভর্টিজমেন্টতা অপীকপা শেনফম নোংমগী খুৎশুমল ওইনা পীগনি হায়বা ৱাফম য়াওখিবদু মেদিকেল ফ্রেটর্নিটিদা ঈকায়বা পীবনি হায়না লৌফম থোকই। জেনিমসকী ওথোরিটিনা খোঙফম হন্দোকপগা লোয়ননা ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওইবা থাক্তা খুৎশুমল পীবগী ৱাফম য়াওবা এদভর্টিজমেন্ট অমা নৌনা থোকপা চুমগনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

## ষ্টেটশিংগী বোরোৱিং...

*লামায় ১গী মখা...* ইনফেক্সিয়স দিজিজেজ লায়েংনবগী অখন্নবা হোস্পিটাল ব্লোক অমমম শেমগৎলগনি। খুঙ্গংগী লমদমশিংদা থেংনরিবা অৱাবা পুম্নমক কোকহন্নবগী পান্দমদা পব্লিক হেল্‌থ লেবোরেটরি অমমম ব্লোক খূদিংমক্তা লৈহল্লগনি। ষ্টেটনা চলাইবা ইন্টরপ্রাইজ খূদিংমক প্রাইভেটাইজেসন তৌরগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা হীরম খূদিংমক্তা ইনভেষ্টে তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

## কোভিদ-১৯ সার্টিফিকেট পায়রগা লাক্লবদি শাফগনি : আর কে ইমো

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) : মপান লমদা থবক তৌরম্বা কয়া য়াওনা মণিপুরদা হল্লকপশিংনা কোভিদ-১৯গী সার্টিফিকেট পায়রগা লাক্লবদি শাফগনি হায়না এম এল এ, আর কে ইমোনা ফোঙদোকখ্রে।

সগোলবন্দ এ সীগী ওইনা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টর য়েংশিনবগা লোয়ননা আর কে ইমোনা হায়খি, ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি ৱাংখৎলক্লি। অনাবা মশিং ৯০,০০০ শুখ্রবনি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মণিপুরগী মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ কেসকী সার্টিফিকেট পায়রগা লাকহন্নিংই। মণিপুর লৈঙাক্লা চৎনহনগদবনি। মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস ৭ শুরে। মণিপুরদা লাক্লিবসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লোইনা টেষ্ট তৌগনি হায়। অদুবু টেষ্ট তৌদ্রিঙৈদা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্বা হায়বসি হান্না লৈরম্বশিং অমদি অকোনবা লাকপগা পুনবা পামদবা কয়া অমসু উবা ফংই। পুনবা য়াবা নত্তবনা হোটেলদা লৈজগে হায়না চৎখিবা কয়াসু য়াওরি। চঙলকপা মতমদা কোভিদ-১৯গী সার্টিফিকেট পায়রগা লাকপা ওইরবদি শাফগনি। ক্বারন্টিন সেন্টর হাংবা মশিং হেনগৎলক্লি। মসিদা মোৎলবদি লৈনিংলোই। নান্না থম্নবা শেম-শাগনি।

মহিক-মতাই চঙদনবা হিদাক কাপথোল্লিবনি। মখোয়গী ৱাৎতনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মশিং য়ামখৎলকপা অসিনা বাথ রুমগী ঈশিং লৈবদা অৱাবা মায়োক্লরি। পি ঐচ ঈ দিনা বাথ রুমগী ঈশিং পীহন্নিংই। লুবা নানবা হায়বসি লৈহন্নবা হোৎনবা তাই। মীয়াম্না সপোর্ট পীবা চঙই। ইন্দিয়াগী ওইনা নুমীৎ ১৪ ক্বারন্টিন তৌগদবনি হায়বা লৈবনা চান-থক্লবা থমদবা য়াদে। হৌজিক পীরিবসি ব্রেক ফাষ্ট, চাক্লেন অমদি নুমীদাংগী চাকনি। ঙা অমদি য়েনগী মথেল য়াওনা পীরিবনি। হৌজিক শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবনা অৱাবা মায়োক্লরি। মী অমমমদা লুপা ২০০ পী হায়। অদুবু এ সী অসিগী ওইনদি ক্বারন্টিন সেন্টরগীদমক মণিপুর লৈঙাক্তগী ফংবা লৈত্রি। অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু। পি পি ঈ লৈতবা য়াদবনা লৈরগা শীজিন্নরি। মাস্ক অমদি সেনিটাইজরনচিংবসু লৈরগা শীজিন্নবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সগোলবন্দদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা এম এল এ রিলিফ ফন্দদা শেলগী মতেং পীবা লাকপশিংদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা হৌজিক মীওই ৫ কোভিদ-১৯ এক্টিভ কেসশিং ওইরে। হান্নগী ২ অদু থারগা ৭ নি। মপান্দগী লাক্লিবশিংনা প্রিভেন্টিভ মেজর লৌরগা লাকহন্নিংই। সার্টিফিকেট পায়রগা লাক্লবদি শাফগনি। ট্রেনদা লাকপশিং অসি লৈঙাক্লা টেষ্ট তৌগনি হায়রি। টেষ্ট নীংথিনা তৌবীয়ু। কম্যুনিটি সেন্টরদা থাজিন্দ্রিঙৈদা টেষ্ট তৌবীয়ু। কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা নুমীৎ ৫/৬নি লৈবা কয়াসু য়াওই। নৌনা লাকপশিংনসু পুন্নিংদবা য়াওরি। টেষ্ট তৌদুনা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। কম্যুনিটি সেন্টরশিং অসিদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। হেল্‌থ দিপার্টমেন্টতসু মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে। পি পি ঈ, সেনিটাইজর অমদি পোৎলম কয়া অসি ঐখোয়না লৈজবা ঙাক্তনি। কম্যুনিটি সেন্টরশিং অসিদা দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেটর নৎত্রগা হেল্‌থ দিপার্টমেন্টতগী করিগুম্বা অমত্তা ফংদে। লৈঙাক্লা পি পি ঈ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসি পীহনবীয়ু। এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী অমত্তা লাক্তে। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংদা লুপা ২০০/২০০ পীগনি হায়খিবা অদুসু লাক্তে। ঈশিংদি পীরি, ঈশিংগী অৱাবা কয়াসু মায়োক্লরি। ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং মীৎয়েং চঙদুনা মতম চানা ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লোকদাউন ৪.০ ঙসিদগী হৌখ্রে, নৌনা...

*লামায় ১গী মখা...* ইসেন্সিএল এক্টিভিটি খক্তমক অয়াবা পীগনি। মেদিকেল সর্ভিস অমদি তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা মীওইশিং নৎতনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৎথোক-চৎশিন তৌনবগী অয়াবা লৈরোই। কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা পাকশন্না কন্টেক্ট ট্রেসিং, হাউস-টু-হাউস সর্ভিলেন্স অমদি অতৈ ক্লিনিকেল সর্ভিলেন্স তৌগনি হায়রি।

নুমীৎ খূদিংগী ওইনা নুমিদাং পুং ৭তগী হৌরগা মথং নুমীৎকী অয়ুক পুং ৭ ফাওবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারোই। হীরম অসিগী মতাংদা লোকল ওথোরিটিশিংনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪নচিংবা লোগী প্রোভিজনশিং শীজিন্নদুনা ওর্দর অমা থোক্কদবনি। তঙাইফদবা থবক থৌরমগী নৎত্রবদি মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবা মীওইশিং, মীরোনবীশিং অমসুং চহী ১০ শুদ্রিবা অঙাংশিং ময়ূম-ময়ূমদা লেংদনা লৈহনগদবনি।

ওফিস অমদি থবক মফম খূদিংমক্তা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ইমপ্লোয়ী খূদিংমক মশা-মশাগী মোবাইল ফোনদা অরোগ্যা সেটু এপ্লিকেসন ইন্সটোল তৌহনগদবনি। দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনসু মীয়ামদা অরোগ্যা সেটু এপ্লিকেসন ইন্সটোল তৌহল্লগা রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই হায়রি।

মেদিকেল প্রোফেসনেল, নর্স অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফ, সেনিটেসন ৱর্কর অমসুং এম্বুলেন্সনচিংবা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মখল অমত্তগী অথিংবা পীরোইদবনি হায়না পল্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিগী ওর্দরনা হায়, অহাঙবা ট্রক য়াওনা পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবা গাড়ীশিং ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমা লান্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনগদবনি। দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা পীরিবা গাইদলাইন অসি ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমত্তনা শেমদোক-শেমজিন তৌরোইদবনি। মথক্তা পল্লিবা ৱাফমশিং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পূম্নমক্না নীংথিনা ঙাকহন্নবা হোৎনগদবনি। থৌরাং অসি লৌখৎপদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা মশা-মশাগী লোকল জুরিসদিক্সনদা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেটশিংবু ইন্সিদেন্ট কম্মান্দর ওইনা থবক তৌহনবা য়াই। মিনিষ্ট্রিনা পীরিবা কাঙলোন অসি মশা-মশাগী জুরিসদিক্সনদা মপূং ফানা চৎনহনবগী থৌদাং ইন্সিদেন্ট কম্মান্দরনা লৌগদবনি। কনাগুম্বনা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী সেক্সন ৫১দগীনা ৬০ ফাওবা, আই পি সীগী সেক্সন ১৮৮ অমসুং অতৈ লিগেল প্রোভিজনশিংগী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়রি।

HL-B/6181/18

## রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া

ইম্ফাল
হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্ট
প্রোটোকোল এন্দ সিক্যুরিটি সেল
(টেন্দর নং : আর বি আই/ইম্ফাল/ইম্ফাল/১/১৯-২০/ঈ টি/৪৬১

### হাউসকিপ্পিং ষ্টাফ লৌনবগীদমক ঈ-টেন্দর কৌরি

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল (মতুং তারকপদা ‘বেঙ্ক’ হায়রগদবা) না বেঙ্ক অসিগী ইম্ফালদা লৈবা ওফিস প্রেমিসিসকী হাউসকিপ্পিং ষ্টাফশিং পীবিনবগীদমক মমিং লৈরবা কম্পনিশিং/ফার্মশিং/এজেন্সিশিংদগী ঈ-টেন্দরশিং কৌজরি। টেন্দরিংগী থবক এম এস টি সী লিমিটেদকী ঈ-টেন্দরিং পোর্টেল (https://www.mstcecommerce.com/eprochome/rbi)গী খুত্থাংদা চত্থগনি। অপাম্বা কম্পনিশিং/ফার্মশিং/এজেন্সিশিংনা টেন্দরিং প্রোসেস অদুদা শরুক য়ানবগীদমক্তা মথক্তা পল্লিবা ৱেবসাইট অসিগী খুত্থাংদা এম এস টি সী লিমিটেদতা রেজিষ্টর তৌগদবনি। ঈ-টেন্দর সবমিসনগী অরোয়বা তারিখ অমসুং মতমদি জুন ১০, ২০২০ য়ুমশকৈশাগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২:০০ তাবনি। ঈ-টেন্দরশিংগী টেক্লিকেল বিদশিং নুমিৎসিমক্কী হায়বদি জুন ১০, ২০২০ য়ুমশকৈশাগী নুংথিল পুং ২:০০ তাবা হাংগনি। ঈ-টেন্দর দোক্যুমেন্টসু বেঙ্ক অসিগী ৱেবসাইট www.rbi.org. in দা লিঙ্ক “টেন্দর” মখাদা ফংগনি।

মরম অমত্তা পীদনা টেন্দর/কোটেসন পুম্নমক নৎত্রগা অমা হেক্তা লৌশিনবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌবগী রাইট বেঙ্ক অসিনা রিজার্ভ তৌরি।

জেনরেল মেনেজর এন্দ ওফিসর-ইন-চার্জ
রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
ইম্ফাল

মে ১৮, ২০২০